# আর্মিগী স্নাইপর রাইফল ৫,৭১৯ লৈনবা থৌরাং ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি):
টেররিষ্টশিংগী থবক-থৌরম কনখৎলকপগা ইরোয়ননা ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা সর্ভিস অহুমগীদমক লুপা ক্রোর ১,৮১৯ গী লাইট মেছিন গন (এল এম জি) লৈবগা লোয়ননা এসোল্ট রাইফল লাখ ৭.৪০ লৈনবগী থৌরাং অমা অয়াবা পীখ্রে।

য়ূম্লোন্নবা পাকিস্তান অমসুং চাইনানা লেপ্তুনা শীংনরকপগী মতাংদা চপ-চানা মায়োক্নবা ঙম্নবগীদমক ইন্দিয়ন আর্মিনা অনৌবা মতমগা চুনরবা খূৎলায় কয়ামরুম লৈবীনবা ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

হৌখিবা জন্যুৱারি থাদা ডিফেন্স ইক্কিজিসন কাউন্সিল (ডি এ সী) না লুপা ক্রোর ৩,৫৪৭ কী এসোল্ট রাইফল ৭২,৪০০ অমসুং কার্বাইন ৯৩,৮৯৫ লৈনবগী মতাংদা অয়াবা পীখি। মপান লৈবাক্কী খূৎলায়শিং পার্ট ওইনা পুরক্লগা ইন্দিয়াদা পানখৎনবগী থৌরাং অমসু ডি এ সীনা অয়াবা পীখি।

ডোক্লামদা চাইনাগী লান্মীশিংগা মুক্নখিবগা লোয়ননা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হৌজিকসু পাকিস্তাননা ঙাইহাক লৈতনা সীজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা অনৌবা মতমগা চুনরবা খূৎলায়শিং লৈবীনবা আর্মি নেভি অমসুং এয়র ফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা ডিফেন্স এক্কিজিসন কাউন্সিলদা কয়ারক হন্না তকশিনখি।

ডিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা চ্যেরপর্সন ওইবা ডিফেন্স এক্কিজিসন কাউন্সিলনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা এল এম জি অমসুং এসোল্ট রাইফলনচিংবা অনৌবা খূৎলায় কয়ামরুম লৈনবগী ৱাফম অয়াবা পীখিবনি হায়না ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ডি এ সীনা আর্মি, নেভি অমসুং এয়র ফোর্সকীদমক মপান লৈবাক্তগী মচাক-মথুম লৈরদুনা ইন্দিয়াদা এসোল্ট রাইফল লাখ ৭.৪ পানখৎনবগী থৌরাং অমসু অয়াবা পীখি। ওর্দিনান্স ফেক্টরি বোর্দ অমসুং প্রাইভেট ইন্দষ্ট্রিগী খুথাংদা লৌখৎপদা লুপা ক্রোর ১২,২৮০ চঙগনি হায়না পানরি।

ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়খি, ডি এ সীনা মপান লৈবাক্তগী লুপা ক্রোর ৯৮২ চঙনা আর্মিগীদমক স্নাইপর রাইফল ৫,৭১৯ লৈনবগী থৌরাং অমসু অয়াবা পীরে। ইন্দিয়ন নেভেল সিপশিংগী এন্টি-সবমেরিন ৱারফ্যের ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ডি এ সীনা এদভান্স টোর্পেদো ডিকোই সিষ্টেম (এ টি ডি এস) লৈনবগী ৱাফম অমসু অয়াবা পীরে হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ডিফেন্স রিছর্স ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ডি আর ডি ও) না শেমগৎখিবা 'মারীক' সিষ্টেম মায় পাক্না চাংয়েং তৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন নেভিদা খূৎশিন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। হায়রিবা সিষ্টেম অসি বেঙ্গলুরুদা লৈবা ভরত ইলেক্ট্রোক্সি লিমিটেদনা লুপা ক্রোর ৮৫০ চঙনা শেমগৎপা হৌখ্রবনি।

ষ্টোকহোম ইন্টরনেসনল পীছ রিছর্স ইনষ্টিট্যুটকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মালেমগী ওইনা মিলিটরিদা শেল খ্বাইদগী চাওনা থাদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা মঙাশুবদা লৈরে। ইন্দিয়ানা য়ুনিয়ন বজেটকী শেনফম চাদা ১৭ ডিফেন্সকী লমদা থাদরি।

# 'মোদিনা পেলেস্টাইন অমসুং ইজরেলগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমগনি'



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চহী ৪০ রোম শুরবা ইজরেল অমদি পেলেষ্টাইনগী ৱাথোক লোইশিলহনবা ঙমগনি হায়না মণিপুরগী গভর্নর নজমা হেপ্তুলানা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী খোঙচৎ অমদা লৈরিবা নজমা হেপ্তুলানা পাউগী মীফম অমদা হায়খি মদুদি মতম অমদা মহাক মশামক ইজরেল অমদি পেলেষ্টাইনগী ৱাথোক লোইশিলহন্নবা হোৎনবদা হকথেংননা শরুক য়াখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক পেলেষ্টাইনদা চৎখিবা খোঙচৎ অদু য়াম্না মরুওই হায়না পল্লদুনা হেপ্তুলানা হায়খি মদুদি হৌজিক হৌজিক য়েংথীনরিবা ইজরেল অমসুং পেলেষ্টাইনগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমগদবা মীওইশিংগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু অমনি।

পেলেষ্টাইনগী গ্রান্দ কোলর এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবা মোদিনা ঙাঙবা ৱাফম পূম্নমক পেলেষ্টিনিয়ন লূচিংবশিংনা তাগনি হায়বগী থাজবা লৈ। পেলেষ্টিনিয়ন মীয়াম্না মপূং ফানা ইকায়খুম্নরিবা মোদিনা লৌখৎলকপা থৌরাং পূম্নমক ইজরেল অমসুং পেলেষ্টাইনগী মীয়াম্না থাজবা থমগনি হায়নসু হেপ্তুলানা ফোঙদোকখি।

ঙমখৈদা লোনা য়াদবা মওংদা চৎথোক-চৎশিন তৌবগী থৌরাং থিংনবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌশিল অমা শেম্নবা সেন্টরদা তকশিনবা লৈখ্রে। লোনা য়াদবা মীওইশিংনা ঙমখৈ লান্থোক-লানশিন তৌদুনা দ্রগ অমসুং খূৎলায় লল্লোনবগী থৌওং থিংনবা মতিক চাবা থৌরাং অমা অথুবা মতমদা লৌখৎলগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# 'লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা আর্মি কেম্প মনাক্তা মীচম লৈশিল্লকপনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরে'

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি):*
*লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা আর্মি কেম্পশিংগী চেকপল মনাক নক্না মীচম কয়া য়ূম শাদুনা লৈশিল্লকপা মরম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নহল্লে হায়না ডিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা ফোঙদোকখ্রে।*

*সুঞ্জুৱানগী আর্মি কেম্পতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকপদা অশোক-অপন নংখ্রবা মীওইশিং য়েংশিনবা লাকখিবা ডিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, মীচম মীয়াম্না আর্মি কেম্প মনাক নক্না য়ূম শাদুনা লৈশিল্লকপগী থৌওং অসি কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওই। লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা থৌওং অসি অদুমক চথুবা থেংনৈ। মসিনা আর্মি কেম্পতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকপা মতমদা মীচম কয়াগী পুন্সি মাঙহন্নবগী মরম ওইরি।*

*জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা নূং লংশিল্লকখিবা মীয়ামদা এমনেষ্টি পীবগী ৱাফমগা মরী লৈননা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ডিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, মপুন্সিগী অহানবা ওইনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংদি এমনেষ্টি পীবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু কয়ারক হন্না আর্মি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা নূং লংশিনবগী থৌওংদা চেন্নবা মীওইশিংদি লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা থবক লৌখৎফম থোকই।*

*অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ওইরক্লিবা ফিভম য়েংশিনখ্রে। নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা টেররিষ্ট এটেক অনীরক চথুরকপদা মীওই মাপন শিখ্রবা মতুংদা হোম মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফিভম য়েংশিনবা লাকখিবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা ষ্টেটকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ওইরক্লিবা সিক্যুরিটিগী মতাংদা মপূং ফাবা পাউদম পীখি। ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংনা পাকিস্তান লোমদগী টেররিষ্টশিং চঙলকপা ঙমহন্দনবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা ময়েক শেংনা পাউদমখি হায়রি।*

*হোম মিনিষ্টরনা ঙমখৈদা মতিক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎতুনা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক্তগী টেররিষ্ট অমত্তা চঙহল্লক্তনবা হোৎনগদবনি হায়না ষ্টেটকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা য়াথং পীখি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।*

*য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি রজিব গোবা অমদি ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী ডিরেক্টর রজিব জেনসু লোয়নরকখি। হোম মিনিষ্টরনা লূচিংবা সেন্টরগী মীহুৎ কাঙবু অদুদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী গভর্নর এন এন ভোরানা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৌখৎলিবা সিক্যুরিটিগী থৌরাংশিংগী মতাংদা মপূং ফাবা ৱারোল পীখি।*

# টেররিষ্টকী মখূৎতা লৈখিদ্রবা লান্মীগী লুখ্রা ওইহৌরবী নুপী অমা ইন্দিয়ন আর্মিদা থবক চঙখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি):
কুমজা ২০১৫ গী সেপ্টেম্বর ২ দা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী বরামুলাদা টেররিষ্টশিংগা লান্থেংনবদা থৱায় থাখ্রবা ইন্দিয়ন আর্ম ফোর্সেসকী রাইফলমেন সিসির মালগী লুখ্রা ওইহৌরবী লোয়নবী সঙ্গীতা ওফিসর্স ট্রেনিং একাদেমিদা ট্রেনিং তৌবা হৌখ্রে।

গোর্খা রাইফলসকী রাইফলমেন অমা ওইনা থবক তৌরিবা সিসির মালনা ৩২ শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসতা পোষ্টিং তাদুনা বরামুলাদা মথৌ তৌরিঙৈদা টেররিষ্ট অমা হাৎলন্নবা মতুংদা নোংমৈনা পানবদগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

মাল লৈখিদ্রবা মতুংদা সঙ্গীতা ৱাখল লায়না নারকপা য়াবগী ফিভমদা লাকখি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মতেং পাংদুনা সঙ্গীতাবু কম্পিটিটিভ এগজাম কয়াদা শরুক য়াহনবদগী বেঙ্ক অমদা থবক তৌনবগী খুদোংচাবা ফংখি। মতম অমদা সঙ্গীতানা দেরাদুনদা লৈরিঙৈদা সেন্ট্রেল কম্মান্দদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা শরুক য়ানবগী চেবাউ ফংখি। মফম অদুদা মহাক্না মপুরোইবা মালগা তিন্নরম্বা মরূপ-মপাং কয়া থেংনদুনা ৱারী শানবদগী ইন্দিয়ন আর্মিদা থবক তৌনবা ৱাখল ফাওরকখি।

মাল লৈখিদ্রবা মতুং চহী অহুম লৈরগা সঙ্গীতানা সোর্ট সর্ভিস কম্মিসন (এস এস সী) গী এগজাম মায় পাক্তুনা ওফিসর্স ট্রেনিং একাদেমিদা ট্রেনিং তৌবা হৌখিবনি হায়রি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা সঙ্গীতানা হায়খি, অহানবদা থা তরুকলোমদি ইপুরোইবা লৈখিদবগী পাউ অদু অশেংবনি হায়বা চপ চানা থাজবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক লান্মী অমগী ইমুংদা চাওরকখিবা মরম্না লানফমদা লান্মীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং ময়েক শেংনা খঙবগা লোয়ননা ইশা ইথন্তা পূক্নিং ফাথজদুনা থোকখিবা থৌদোক পূম্নমক লাকশিন্নবা হোৎনখি।

মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মতুং কুমজা ২০১৭ কী সেপ্টেম্বরদা সেন্ট্রেল কম্মান্দদা চৎতুনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবগীদমক সেনা মেদল লৌরুবদগী মহাক্কী পূক্নিংদা অনৌবা থৌনা অমা ফাওরক্তুনা আর্মিদা থবক তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না পাউমীশিংদা সঙ্গীতানা ফোঙদোকখি। মতৌ অসুম্না সোর্ট সর্ভিস কম্মিসনগী এগজাম মায় পাকখিবনি হায়রি।

# নীংতম্বা চহী ৭০ হেল্লবসু দলিত লৌমীশিং লমগী মপু ওইবা ফংদ্রি, লৈঙাক্না পীবা খুদোংচাবশিং ফংবা ঙমদ্রি : রিপোর্ট



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি):
ইন্দিয়াগী লৌমী অয়াম্বা মশাগী লৌফমদা লৌ উবা তারবসু দলিত লৌমীশিংদি হৌজিক ফাওবা মশাগী ওইবা লৌফম অমত্তা লৈজদ্রি। সেন্সসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না দলিত ফুরুপকী মীওই অয়াম্বা খুনেক্তা নেল্লগা মীগী লৌফমদা থবক শুবা য়াওরি।

নোংমগী খূৎশুমল ফংবা নত্তনা মশাগী ওইবা লৌফমদা লৌ উরগা চহী চুপ্পা চাবা কোন্নগদবা মওংদা চাথোক পুথোক্নবগী খুদোংচাবা ফংদ্রবা দলিত লৌমীশিংগীদমক গভর্নমেন্টনা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপগী মমি তাদে হায়রি।

হন্দক্তা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেটতা লৌমীশিংগী কান্নগদবা থৌরাং কয়া য়াওরবসু লৌমীশিং থোং মান্ননা চাউখৎহন্নবগী ৱাফম য়াওদে হায়না হীরমসিদা নৈনবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবগী-দমক য়ুনিয়ন বজেটতা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস (এম এস পি) হেনগৎহনবগী ৱাফম য়াওরবসু থৌরাং অদুনা মশাগী লৌফম লৈজদবা দলিত লৌমীশিংদা থোইদোক্না কান্নবা ফংহনবা ঙম্লোই হায়রি।

কোলকটাগী রিছর্স ফাউন্দেসন অমদা সিনিয়র ফেলো ওইনা লৈবা নিলঞ্জন ঘোসনা হায়খি, দলিত লৌমীশিংদি লৈঙাক্না এম এস পি হেনগৎহনখিবা তারবসু নোংমগী খূৎশুমল খরা ফংবা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা খুদোংচাবা অমত্তা ফংবা ঙম্লোই। লৌমী ওইবা তারবসু মশাগী লৌফমদা লৌ উরিবা মীওইশিং খক্তদা কান্নবা ফংহনগদবা থৌরাং কয়া য়ুনিয়ন বজেটতা য়াওখি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ দিল্লিগী প্রোফেসর অস্বিনি দেসপান্দেনা ফোঙদোকখি।

# কোচিন সিপয়ার্দতা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখিবদা মীওই ৫ শিরে, ১১ শোক্লে



কোচি, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি):
কেরলাগী কোচিন সিপয়ার্দ লিমিটেদতা ওইল এন্দ নেচরেল গ্যেস কোর্পোরেসন (ও এন জি সী) গী জহাজ অমা শেমজিন-শাজিনবগী থৌরাং লৌখৎলিঙৈদা খঙহৌদনা পোকখায়রকপদগী মীওই মঙা শিরে অমসুং অতোপ্পা মীওই ১০ অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু সাগর ভুসন শেমজিন-শাজিনবগী থৌরাং লৌখৎলিঙৈদা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৫ তাবদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদগী ফংখিবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিংগী মনুংদা ফায়রমেন অনী, কন্ট্রেক্ট লেবরর অনী অমসুং সুপরভাইজর অমগীনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

হৌজিকসু জহাজ মনুংদগী মীওই অহুম থোরকপা ঙমদনা লৈরি। মীওইশিং অদু কন্নবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা হোৎনরি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কোচিন সিপয়ার্দকী চীফ ইগজেক্যুটিভ অমদি মেনেজিং ডিরেক্টর মধু নায়রনা হায়খি মদুদি জহাজগী গ্যেস লীক ওইরকপদগী ৱাটর টেঙ্ক পোকখায়রকপদা মীশি-মীনা থোকখিবনি। অহৌবা মখোল অমগা লোয়ননা পোকখায়রকখিবা মরম্না ৱাটর টেঙ্কতা পোকখায়রকপনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে। জহাজ শেমজিন-শাজিনবগী থৌরাং লৌখৎপা হায়বসি কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবনা মতিক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

# ইন্দিয়াগী মায়োক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎনবা শেম-শারে : পাকিস্তান

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি):
জম্মুদা চথুরকখিবা টেররিষ্ট এটেক অমদা লান্মী ৬ অমসুং মীচম অমা শিখ্রবা মতুংদা ডিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা পাকিস্তাননা অকনবা ৱার্নিং পীরকখ্রে।

সিতারমনগী ৱারোল অদু কন্দেম তৌরদুনা পাকিস্তানগী ডিফেন্স মিনিষ্টর খুরম দষ্টগির খাননা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, ইন্দিয়ানা লৌখৎলকপা থৌরাং খূদিংমক্কী চপ-চাবা মওংদা পাউখুম পীনবা শেম-শারে।

চপ-চাবা মতম পীবদি তৌদনা ডিফেন্স মিনিষ্টর সিতারমননা হায়খিবনি মদুদি জম্মুদা এটেক চথুরকখিবা জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম) গী টেররিষ্টশিং পাকিস্তানগী য়াকা মতুং ইন্না থবক তৌবনি হায়বা ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্টতগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

পাকিস্তাননা টেররিজমগী থবক থৌরমদা মপূং ফানা মতেং পাংলি হায়না মরাল শীরদুনা মহাক্না হায়খি, সুঞ্জুৱানগী আর্মি কেম্পতা টেররিষ্টশিংনা চথুরকখিবা এটেকতা পাকিস্তানগী খূৎ য়াওই হায়বগী মতাংদা মতিক চাবা খুদম-চাংদম পুথোক্নবা শেম শারে।

অমরোমদা মরম চাদনা মরাল শীরকখিবা সিতারমনগী ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা পাকিস্তানি ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, অচুম-অরান খঙদনা ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখলদা য়ূম্ফম ওইরগা ইন্দিয়ানা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক্তা মরাল থংজিনবগী থৌওং লেপ্তুনা চথুদুনা লাক্লি। মমাঙদসু জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থোকখিবা থৌদোক কয়াগী মতাংদা পাকিস্তানবু মরাল শীবা লৈখি। লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা পাকিস্তানবু অরানবা মওংদা চেন্নহন্নবা হোৎনরোইদবনি হায়নসু ইস্লামাবাদকী ৱারোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সুঞ্জুৱান এরিয়াদা লৈবা আর্মি কেম্প অমদা টেররিষ্টশিংনা চথুরকখিবা এটেক অদুদা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী লূচিংবা সয়ীদ সলাহুদ্দিন অমসুং জাইস-ঈ-মহমদকী লূচিংবা মাসুদ অঝরনা মরুওইবা থৌদাং লৌখি হায়না ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।



হন্দক্তা পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে) গী মুজাফরবাদতা টেররিষ্ট গ্রুপ অনীগী লূচিংবশিং উনদুনা আর্মি কেম্পতা এটেক চথনবগী মতাংদা অরোনবা ৱাফম কয়া খন্নখি। আর্মি কেম্পতা এটেক চথুরকখিবা টেররিষ্টশিং অদু পি ও কেদা মপূং ফানা ট্রেনিং পীরবা মতুং ইন্দিয়াদা লোন্না থাজিল্লকখিবনি হায়না ইন্টলিজেন্সকী ছোর্স পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা ফোঙদোকখি।

টেররিষ্টশিং অদুনা ঙমখৈ লান্থোক্লগা ইন্দিয়াদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা থেংনবদগী নোংমৈ কাপ্নবদা টেররিষ্ট অহুম শিখিবগা লোয়ননা খূৎলায় খরসু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

ডিফেন্সকী পি আর ওনা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, সুঞ্জুৱানগী আর্মি কেম্পতা মখা তানা থিব-হুম্বগী থবক চথুবদা এটেক চথুরকখিবা টেররিষ্টশিং অদু জে ঈ এমগীনি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

জে সী ও অমা অমসুং এন সী ও অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৯ অশোক-অপন নংখিবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা ষ্টেটকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং উনদুনা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, খূৎলায় মতিক চানা পায়বা টেররিষ্টশিংনা সুঞ্জুৱানগী আর্মি কেম্প অমদা এটেক চথুরকপদা লান্মী অনী শিখিবনি। টেররিষ্টশিংনা চথুরকখিবা এটেক অদুদা নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা অতোপ্পা মীওই মাপন অশোক-অপন নংখি। টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবা আর্মি কেম্প অদু জম্মু-পথানকোট নেসনল হায়ৱেদা লৈবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা মফম অদুদগী মিটর ৫০০ লাপ্না লৈবা স্কুলশিং ডিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা থোঙ লোনশিন্নবা খঙহনখি। কুমজা ২০১৩ গী ফেব্রুৱারি ৯ দা অফজল গুরু থৌরি য়ান্দুনা হাৎখিবগী নীংশিং কুমওনগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা মফমদা জে ঈ এমনা এটেক চথুরকপা য়াই হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা চেকশিনৱা পীবা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৪.৪৫ তাবদা মিলিটরি কেম্পকী সন্ত্রি পোষ্ট ঙাক্লিবা লান্মী অমনা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই খরা লাকপা থেংনখি। খুদক্তা মহাক্না মীওইশিং অদু লেপ্নবা খঙহল্লুবদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লকখি অমসুং নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। মফম অদুদা এটেক চথুবা লাকখিবা টেররিষ্ট মশিং কয়া শুবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ষ্টেট পুলিসনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবনি।

সুঞ্জুৱানদা লৈবা আর্মি কেম্পতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা মরম চাদবা মওংদা পাকিস্তানবু চেন্নহন্নবা হোৎনরোইদবনি হায়না পাকিস্তানি ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।